# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 24-12-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা আইন্না থিংখ্রবা লাহৌহৌলুপ অনিগী মীওই অনি অমসুং আইনগী ৱাংমদা খুৎশু খুৎলাই লল্লোনবা মীওই মরি ফারে।

২) ৩২ শুবা ইম্ফাল বুক ফিয়ার-২০২৫ ঙসি লোয়শিল্লগনি।

অমসুং

৩) ইলেক্সন কম্মিসন্না রাজ্য অহুম অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি ১ গী দ্রাইফ ইলেক্তোরেল রোল ফোংখ্রে।

------

পুলিস(এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী আইন্না থিংখ্রবা লুপ পি.এল.এ-আর.পি.এফকী মীওই অমা অমসুং প্রিপাক জি-ফাইভকী মীওই অমা ফারে।

মণিপুর পুলিসকী পাউনা ককচিং জিলাগী ককচিং খুনৌ লমখায়দগী পি.এল.এ-আর.পি.এফকী মীওইবা মশাগী লৈকাইদগী ফাখি। মীওই অসি মীচম মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবনি হায়রি। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী শগোলমাংদগী প্রিপাক জি-ফাইভকী মীওই অমসু ফাগৎখি হায়রি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী কৈবী অৱাং লৈকাইদগী মীওই অনি অমসুং জিলা অসিমক্কী খুরাইদগী মীওই অনি অমগসু আইনগী ৱাংমদা খুৎশু খুৎলাই লল্লোনবগী থবক চৎথবগীদমক ফারে হায়রি। কৈবী অৱাং লৈকাইদগী

ফাখিবা মীওই অনি অদুদগী নোংমৈ ১১০ অমসুং খুরাইদগী ফাখিবা মীওই অনি অদুদগীনা মেগজিন য়াওবা পোইন্ট থ্রি টুগী পিষ্টোল অমা, বাউফেং সেটকা কোন্ননা অতৈ পোৎলম খরসু ফাগৎলে হায়রি।

মরক অসিদা মণিপুর পুলিসনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী কৈথেলমানবীদগী ট্রক অমদা পুরম্বা ইন্দিয়ান মেদ ফোরেন লিকর (আই.এম.এফ.এল) কেস লিশিং ১,২০০ ফারে হায়রি। ট্রক অদুবু থৌরকপা মীওই অদুসু ফাগৎলে।

ককচিং জিলাগী পল্লেল-চান্দেল লমখায়দগী মীওই অনিদগী য়ুঙৌ লিতর ৩৬০ সু ফারে হায়রি।

মেলা (এল)ঃ ৩২ শুবা ইম্ফাল বুক ফিয়ার-২০২৫, ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরী ইম্ফালদা ঙসি লোয়শিল্লগনি। লোয়শিনবগী থৌরমদা আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মিস্নার-ঐচ. গ্যানপ্রকাশ শরুক য়াগনি। লোয়শিনবগী থৌরমদা ৩২ শুবা ইম্ফাল বুক ফেয়ারগী রিপোর্ট পুথোকপা, নাইকী ওইবা থৌরমশিং অমসুং তোঙান তোঙানবা চাংদমবা কয়াদা মকোক মথং তারবশিংদা মনা-মথুম য়েন্থোকনি।

নুমিৎ তরানি চুপা চত্থরকপা মেলা অসিগী ঙরাং ৯ নি চনবা নুমীৎতসু ফঙ্কসনিং ওফ এন.জি.ও-ভোলুন্তরি ওর্গনাইজেসন রন পাব্লিক লাইব্রেরিজ হায়বা হিরমদা কেপাসিতি বিল্ডিংগী থৌরম অমা পাঙথোকখি।

ইসিআই ঃ  ইলেক্সন কম্মিসন্না রাজ্য অহুম অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি ১ গী দ্রাইফ ইলেক্তোরেল রোল ঙরাং ফোংখ্রে। রাজ্যশিং অদুদি- ছত্তিসগর, মধ্য প্রদেশ, কেরলা অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি অন্দমান নিকোবরনি।

ইলেক্তোরেল রোল অসি হৌজিক চত্থরিবা স্পেসিয়েল ইন্টেন্সিভ রিভিজন (এস.আই.আর)গী শরুক অমা ওইনা ফোংবনি। এস.আই.আরগী অনিসুবা ফেজ অসি রাজ্য ৯ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি অহুমগী ইলেক্তোরেল রোল অসি চহি অসিগী নবেম্বর মরিদগী হৌখিবনি। ইলেক্তোরেল রোলশিং ফোংবা মথং চহিগী ফেব্রুৱারি ১৪ দা লোইশিনগনি। ছত্তিসগর, গোৱা,

গুজরাত, কেরলা, মধ্য প্রদেশ, রাজস্থান, তামিলনাদু, উত্তর প্রদেশ, নোংচুপ বেঙ্গল, পুদুচেরি, লক্সদ্বিপ অমসুং অন্দমানা নিকোবর ঈথৎনি।

নাইদু ঃ কেন্দ্রগী সিভিল এভিএসন মন্ত্রি রাম মোহন নাইদুনা লৈবাক অসিদা এয়ারলাইন্সকী লমদা নৌনা খোঙথারক্লিবা মীওইশিংগা হৌখিবা চয়োল অসিদা উন্নদুনা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে হায়রি। নৌনা থোক্লকদবা এয়ারলাইন্সশিংগী মনুংদা সংঙ্খ এয়ার, এ.আই হিন্দ এয়ার অমসুং ফ্লাই এক্সপ্রেস য়াওরি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী নাইদুনা হায়- হায়রিবা এয়ারলাইন্সশিং অসি মিনিষ্ট্রিদগী এন.ও.সি ফংলে। মহাকা মখা তানা হায়- লৈবাক অসিগী এভিএসন সেক্তরদা এয়ারলাইন্সশিং মশিং হেনগৎনবা লেপ্তুনা হোৎনরি। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাকা পায়খৎপা স্কিমশিংগী মনুংদা উরাননা অপিকপা এয়ারলাইন্সশিং লৈবাক অসিগী মনুংদা লৈবা মফমশিংদা পেসেঞ্জরশিং পুদুনা লৈবাক অসিগী এভিএসন সেক্তর হেন্না চাওখৎননবা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

প্রহ্লাদ ঃ কেন্দ্রগী কঞ্জুমর এফ্যার, ফুড এন্দ পাব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন মন্ত্রি প্রহ্লাদ জোসিগা উপ-রাষ্ট্রপতি সি.পি. রাধা কৃষ্ণনগা ঙরাং পার্লিয়ামেন্ট হাউসতা উন্নখ্রে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা উপ-রাষ্ট্রপতি সি.পি. রাধা কৃষ্ণন্না হায়- ফুড অমসুং পাব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসনগী নৌনা শেমদোক্লবা থৌরাংশিংবু মীয়ামদা হেন্না ময়েক শেংনা খঙহন্দুনা ফুড সেক্যুরিতিগী মপাঙ্গল কনখৎহল্লগনি। মহাকা হায়- নিউ এন্দ রিন্যুএবল ইনর্জি মন্ত্রালয়না সোলর অমসুং ৱিন্দ পৱার কেপাসিতি অথুবা মতমদা পাকথোক চাউথোকহনবগী থবক নেসনেল গ্রিন হাইদ্রো মিসনগী মখাদা চংশিল্লিবা অমসুং মসিগী পান্দম অথুবা মতমদা য়ৌহন্নবগী ৱাফমসু য়েংশিনখ্রে। লৈবাক অসিবু ২০৪৭ তা ভিক্সিত ভারত ওইহন্নবগী চংশিল্লিবা পান্দমদা মন্ত্রালয় অসিনা থৌরাং কয়া খুমাং য়াংনা চংশিল্লি।

ইসরো ঃ ইন্দিয়ান স্পেস রিছার্স ওর্গনাইজেসন (ইসরো)না ঙসি অয়ুক পুং ৮ মিনিত ৫৪ দা কম্মুনিকেসন সেটেলাইট ব্লু বার্দ ব্লোক টু থাগৎলগনি। শ্রীহরিকোতাগী ছতিস ধাৱন স্পেস সেন্তরগী অনিসুবা লোঞ্চ পেদতগী সেটেলাইট অসি থাগৎকনি।

আমেরিকাগী এ.এস.টি স্পেস মোবাইলগী সেটেলাইট অসিনা এল.ভি.এম থ্রি-এম সিক্স পৃথিবীগী অনেম্বা ওর্বিৎতা য়ৌবা ঙম্বা খ্বাইদগী চাউবা কম্মর্সিয়েল কম্মুনিকেসন্স সেটেলাইট ওইরগনি। মসি ষ্টেন্দর্দ মোবাইল স্মার্ট ফোনশিংদা হকথেংননা স্পেস বেজ সেলুলর ব্রোদ বেন্দ ফংহন্নবগীদমক ব্লু বার্দ ব্লোক টু কম্মুনিকেসন সেটেলাইটকী নেক্স জেনেরেসনগী শরুক অমনি। ইসরোনা শাবা লোঞ্চ ভেহিকল মার্ক থ্রি নত্রগা এল.ভি.এম থ্রি অসি ষ্টেজ অহুমগী লোঞ্চ ভেহিকলনি। সেটেলাইট অসিনা মনুং হুঞ্জিন্না লৈবা মফমশিংদা মীয়ামগা পাড ফাওনবগী লমদা হেন্না খুদোংচাহল্লগনি।

মিসাইল ঃ দিফেন্স রিছার্স এন্দ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (দি.আর.দি.ও)না নেক্স জেনেরেসন অকাশ মিসাইল- অকাশ এন.জি. সিষ্টেম ত্রাইয়েল তৌবা লোইরে।

দিফেন্স মন্ত্রালয়গী চেরোল অমনা হায়- মিসাইল অসি ত্রাইয়েল তৌবদা মসিনা য়ৌহন্নিংলিবা মফমশিং অদু নিংথিনা য়ৌহনবা ঙমলি।

ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্স, দি.আর.দি.ও অমসুং উদ্যোগশিংবু মিসাইল অসি মায় পাকা ত্রাইয়েল তৌবা ঙম্বগীদমক থাগৎপা ফোংদোকখ্রে। মহাকা হায়- ষ্টেট ওফ দা আর্টকী মিসাই সিষ্টেম অসিনা আই.এ.এফকী নোংথক্কী লাল্লোংশিংদা হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহল্লগনি।

কোষ্ট গার্দ ঃ ইন্দিয়ান কোষ্ট গার্দনা পোল্লুসন কন্ট্রোল তৌনবা ভেসেল সমুদ্র প্রতাপ গোৱা হিথাংফমদা ঙরাং থমখ্রে। জহাজ অসি ইন্দিয়ান কোষ্ট গার্দতা ঙরাং পাঙথোকপা থৌরম অমদা খুৎশিন্নখিবনি। জহাজ অসিদা তোঙান তোঙানবা অনৌবা টেকোলোজিগী খুদোংচাবশিং য়াওরি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

কাংপোকপীগী সি.এস.ওশিংনা অনৌবা চহি ২০২৬ তগী পোপ্পি থাবা মপুং ফানা থিংলগনি হায়না ৱারেপ লৌখিবগী পাউ পোকফমগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

লৈবাক নুংশিবা শান্তি লৈহন্নিংবশিংনা অফবা আর্টিষ্টশিংগী মতৌ তমগদবনি হায়না স্পিকর থোকচোম সত্যবর্তনা ফোংদোকখিবা ৱাফম পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌরি।

ম্যান্মারদা পোপ্পি থাবগী চাং হেনগৎলকপদগী অৱাং নোংপোক্তা হিরোইন স্মগলিং তৌবগী চাংসু ৱাংখৎলক্লে হায়না নহারোলগী থৌদাংদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। মসিগা মান্নবা পাউ তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা অতৈ পাউচেশিংদসু ফোংলি।

নম্বুল তুরেল কন্ননবা পায়খৎখিবা থবক মপুং ফাখ্রে হায়রবসু অশেংবা মশক মীয়ামা উবা ফংদ্রি হায়না নহারোলগী থৌদাংদা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

ইম্মিগ্রেন্টশিংগী মশিং অমুক্কসু চাদা ১০ হেনগৎলক্লবদি অসামসু বঙ্গলাদেশকী শরুক অমা ওইরক্লগনি হায়না হিমন্ত বিশ্বা শর্ম্মনা ফোংদোকখিবা ৱাফম হুইয়েন লানপাউদা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

ওইথোকওইদবা দিমান্দনা পুমমক ৱামিন্ননবা শিনগুমশি হায়না এম.এল.এ- জোয়কিসন্না ফোংদোকখিবা সনালৈবাক্তা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

অহলনা অঙাংদা নত্তবা লিচৎ চৎলুবা শিদ্রিফাও জেলদা লৈবগী চৈরাক লাউথোকখ্রে হায়না শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মীয়ামসু ৱাখল য়াওদে, অমোৎ অকায়সু পুমচাই চাইরি হায়না পাউচে অসিগী এনকর কলমদা ফোংলি।

ইম্ফাল ময়োলদা ফত্ত-হাউদি পৈশিনবগী চাং হেনগৎলক্লি হায়না শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনগী অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল বুক ফিয়ারদা মী তিনবগী চাং ৱাংলবসু লাইরিক লৈবগী চাং নেম্লি হায়না পিপলস ক্রোনিকলগী এনকর কলমদা ফোংলি।

পুলিসনা পেট্রোল পম্পশিং অমসুং লল্লোন ঈতিক তৌরিবা মীওইশিংদা ঙাক শেল্লগনি হায়না পাউচে অসিগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা রাষ্ট্রিয়া বিগ্যান পুরুস্কার ২০২৫ খুৎশিন্নখিবা পাউ মণিপুর মেলগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা হেদলাইন তৌরি।

------